# হুইয়েন লানপাউ


বোসেম্না শীন্দুনা দি এম কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকপা ঐচ এস এল সী ইগজামিনেসন, ২০১৬তা মকোক থোংখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম




চাদোং ভীলেজদা কুমজা ২০১৫দা থোকখিবা লেন্দ-স্লাইদতা লৈখিদ্রবা ৰুংপম সিরোগী ইমুং-মনুংদা এক্স-গ্রেসিয়াগী শেনফম খুৎশিন্নবা থৌরমগী শক্তম



কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকপা মতম অমদা শক্লাইরবা পাউমী ওইখিবা লৈখিদ্রবা এন কে সনাজাওবগী ৮০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম




ক্রিমিনেল জষ্টিস ফেল্লো, টাটা ইন্সটিটুট ওফ সোসল সাইন্সেস, মুম্বাইনা শীন্দুনা য়াইরিপোক য়াম্লেমদা পাঙথোকপা লিগেল এৱেরনেস প্রোগ্রামগী শক্তম





Vol. 40, Issue No.266 | থাংজ, ৱাকচিং নিনি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, December 31, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খাইদগী শাবা- ২৫.৬ দিগ্রী সেলসিয়স
খাইদগী ঈংবা-৫.৪ দিগ্রী সেলসিয়স
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিল-
অয়ুক-চাদা ৯০
নুংথিল -৭৫
নোংজুগী চাং-০.০ এম এম
নুমিৎ থোকপা -অয়ুক পূং ৫.৫৯
নুমিৎ তাবা-নুংথিল পূং ৪.৩৫

## য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ : অনৌবা চহী ২০১৭ লাকপদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী য়াইফ পাউজেলগী চেরোলনা হায়, কুমজা ২০১৭ লাকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা অয়েৎপা অপনবশিং হন্থরগনি অমসুং অনৌবা নুংঙাই য়াইফবা মতম অমা হৌরগনি।

## কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ : ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইটিগী মখাদা পুথোকপা রাষ্ট্রিয় মধ্যামিক শিক্ষা অভিয়ান (রমসা) গী ৱাল অমদি টেবল কেলেন্দর ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। সেক্রেটেরিয়েট সাউথ ব্লোক্তা লৈবা এদ্যুকেসন...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## এক্স-গ্রেসিয়া পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ : কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চাদোং ভীলেজতা কুমজা ২০১৫দা থোকখিবা লেন্দস্লাইদতা লৈখিদ্রবা ৰুংপম সিরোগী ইমুং-মনুংদা এক্স-গ্রেসিয়াগী শেনফম খুৎশিন্নখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি, উখ্রুলগী মখাদা পীবা এক্স-গ্রেসিয়াগী শেনফম অদু ঙসি সী দি ও কসোম খুল্লেলগী ওফিসতা এস দি ও কসোম খুল্লেল ডো. ময়েংবম ভিটো (এম এস সী)না লৈখিদ্রবা ৰুংপম সিরোগী লোয়নবী এস ফিলাসিংদা লুপা লাখ ৪গী চেক ওইনা খুৎশিন্নখি।

# মুলায়ম সিংহ যাদবনা মচানুপা অখিলেশ চহী ৬ পার্টিদগী তান্থোকখ্রে

## পোলিটিক্সনা মপা-মচা শিবদা চঙনদবগী ফীভম লাক্কদৌরি



লক্ষ্নৌ, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী): পোলিটিক্সতদি মপা-মচা, মরী-মতা, মচিন-মনাও অমসুং মরুপ-মপাং হায়বা লৈতে হায়বদুনি। পোলিটিক্সনা মপা-মচা শিবদা চঙনদবগী ফীভম লাক্কদৌরি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশ এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা থোকপা খ্বাইদগী ঙকপা থৌদোক অমদা উত্তর প্রদেশতা সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা মহাক্কী মচানুপা অখিলেশ যাদব অমদি মনাওনুপা রাম গোপালবু পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বগীদমক চহী ৬ পার্টিদগী তান্থোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মুলায়ম সিংহ যাদবনা হায়খি, পার্টিগী প্রসিদেন্ট নৎতনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা নেসনল ইকজিক্যুটিবকী মীফম কৌবা ঙমদে। অদুবু রাম গোপালনা নেসনল ইকজিক্যুটিবকী মীফম কৌদুনা পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎলকখি। মতৌ অসুম্না পার্টিবু মনুংদগী মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনরকখি।

মখুরা অমা ওইনা রাম গোপালনা অখিলেশকী পোলিটিকেল কেরিয়র মাঙহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা কয়ারক হন্না পাউতাক পীবদা মচানুপানা মরু ওইনা লৌখিদে। তঙাইফদনা পার্টি কন্নবগীদমক ইনাওনুপা অমদি ইচানুপাবু চহী ৬ তান্থোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না মুলায়মনা মখা তাখি।

পার্টিদগী তান্থোকখ্রবা অখিলেশ যাদব অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা রাম গোপালনা হায়খি মদুদি, মহাকপু পার্টিদগী তান্থোকখিবা থৌওং অদু কন্সটিটুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি। ইশাগী ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা ফংহন্দনা খুদক্তা পার্টিদগী তান্থোরকখিবনি। অদুমওইনমক হান্না লেপ্পখিবা মতম কায়দনা পার্টিগী নেসনল ইকজিক্যুটিব মীটিং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মুলায়ম সিংহ যাদবনা পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অনী তান্থোকখ্রবা মতুংদা অখিলেশ যাদব শৌগৎপা মীওই কয়ানা লম্বীদা থোরক্তুনা মুলায়মগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি। থৌওং অসিগী মায়োক্তা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মীওই খরনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা উত্তর প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা খন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মুলায়ম সিংহ যাদবনা পার্টিগী অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা তানদুনা অথুবা মতমদা মথংগী চীফ মিনিষ্টর খন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। মথং চহীগী অঙনবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

# য়ু এন সীগী ব্লোকেদ সেন্টরনা থিংগদবনি : সিটিজনস কম্মিটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০(ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী নেসনল হায়ৱে অনীদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী)না ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবা অসি ইচম চম্বা ইকনমিক ব্লোকেদ নৎতবনিনা সেন্টরনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না সিটিজন কম্মিটি মণিপুরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি সিটিজন কম্মিটি মণিপুরগা পাউমীশিংগা উনবা অমদা কম্মিটি অসিগী চেয়রপার্সন রাধাবিনোদ কোইজমনা হায়খি, হৌজিক য়ু এন সীনা চথরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি থা ২ শুরক্লে। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অঙকপা ফংনা ৱানরে। ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবতা নৎতনা ভাইওলেন্স ওইবা থবক কয়া চথরে, মৈ থারে, পুলিস পার্সনেল কয়া হাৎলে। ইচম চম্বা ব্লোকেদ ওইরম্লবদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট য়াওরমদবসু য়াই অদুবু য়ু এন সী হায়বসি এন এস সী এন (আই-এম)গী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন ওইবা মরম্না সেন্টরনা লোইশিনফম থোকই।



নেসনল হায়ৱেসু ওইবা অদুগীসু মথক্তা এন এস সী এন (আই-এম)না শৌগৎপা লূপ য়ু এন সীনা চথবা ইকনমিক ব্লোকেদ ওইবনা সেন্টরনা এন এস সী এন (আই-এম)দা অসিগুম্বা থৌওং চথবা য়ারোই হায়রবা মতমদা তোক্কদবনি। সেন্টরনা থবক পায়খৎতবা অসিনা ঙসি ফাওবদা য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরিঙৈ মনুংদা ভাইওলেন্স তৌবা ঙম্লিবনি। ভাইওলেন্সকী থবক থৌওং কয়া চথরক্লবনিনা মীয়ামদা শাউনিংবা পোকহল্লে। মরম অদুনা সেন্টরগী রিপ্রজেন্টেটিব অমা ওইরিবা মণিপুরগী গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমা ঙসি পীশিনখিবনি। অদুবু গভর্ণর দিল্লিদা চৎলম্বদগী গভর্ণরগী সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম অদু পীশিল্লমখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মৈহৌরোলদগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ফুরুপ, কাঙলূপ নাইবা থবক তৌদনবা হোৎনবা চঙই। মতাং অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগীসু থৌদাং লৈবা মরম্না পোলিটিকেল পার্টিশিং পূনশিন্নবা হোৎনবনি।

মণিপুর কায়বা য়াদে হায়দুনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ময়াম অমসু পূনশিন্দুনা হোৎনরি। মরম অদুনা লোনা য়াদবা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্কদবনি। হায় কোর্টকী দিরেক্টিব লৈরিবা অসিগী মথক্তা সিফাই কয়া অমসু সেন্টরনা থাজিল্লক্লি। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু ইন্দিয়ন কন্সটিটুসনগী মখাদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎকদবনি হায়না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. এম নরানা হায়খি, হৌজিক য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অমদা লৈরি। মীয়াম্বু ৱাহনবা চরাংনবা ফীভম অমদা লৈরি লোয়ননা মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুম লৈঙাক্লা ঙাকপা ঙমদবা হায়বসিসু নুংঙাইতে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু মীয়ামগী অপাম্বা মওংদা থবক তৌরকপা লৈত্রি। মরম অদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিং পূনশিন্নদুনা গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা ওইনা ঙসি মণিপুরগী মীয়াম্না ইকনমিক ব্লোকেদকী থেংনরিবা চৈথেং অসিগী মরমদা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবনি। পীশিল্লিবা মেমোরেন্দম...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## রিমসতা গ্রেনেদ লৈরম্লে, ঙসি প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালগী সর্জিকেল ৱার্দকী কৈরাক কাফমদা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্লে।

মফম অদুদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা তাবা থেংনরকপদগী পেসেন্ট পার্টিনা রিমসকী পুলিস পিকেটতা পাউ পীরবা তুংদা পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিংনা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা বোম অদু লৌখৎখ্রে।

মীয়াম তিনবা হোস্পিটালদা চঙলক্লগা শকখঙদবশিংনা রিমসকী সর্জিকেল ৱার্দকী কৈরাক কাফম মখোঙদা বোম থল্লম্বা থৌওং অদু হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেদেন্ট সীঐচ অমুবনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীদনবা মহাক্না মরী লৈনবশিংনা আপিল তৌরক্লি। মমাংদসু হোস্পিটাল অসিগী আই সী য়ুগী গেটতা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়ানশিল্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রে।

হোস্পিটাল মনুংদা বোম থমজিল্লম্বগী থৌদোক অদু রিমস নর্সেস এসোসিএসন লম্ফেলপাৎনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। থৌওং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা জেনরেল ও পি দি মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমগনি হায়রি।

## কিখোনবৌ ন্যুমাই, এ দি সী মেম্বর ৩ বি জে পিদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০(ঐচ এন এস): তামৈ এসেমব্লী কনষ্টিটুএন্সিগী এম এল এ ওইরম্বদগী হন্দক্তা ফম থাদোকখ্রবা জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাই অমসুং তমেংলোং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী) মেম্বর অহুম, জিলা পরিষদ মেম্বর অমসুং প্রধান কয়ামরুম বি জে পিদা য়াওখ্রে। মখোয়না বি জে পিদা য়াওরকপদা পার্টি অসিনা হরাও তয়াম্না ওকখ্রে।

বি জে পিদা য়াওরক্লবা তমেংলোং এ দি সীগী মেম্বরশিং অদুদি রামগ্বাংদিন, তাদিনাং গাংমৈ, হাটখিন দোঙেলনি। মখোয়গা লোয়ননা পার্টি অসিদা য়াওরকখ্রবশিং অদুদি লমশাং মন্দল, সেকমাই মন্দল, নাওরিয়া পাখঙলাকপা মন্দল অমসুং হিয়াংলম মন্দলগী গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী জিলা পরিষদ মেম্বর অনী, প্রধান ১৪ অমসুং ৱার্দ মেম্বর মাপন য়াওরি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা বি জে পিগী মণিপুর ইন-চার্জ ওইরিবা এম পি প্রহলাদ সিংহ পটেলনা হায়খি, মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক সেন্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলি। ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী য়াওনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা লম্বী-থোংগী ফীভম কয়া শেমগৎনবগীদমক য়ুনিয়ন ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর লিশিং ২২ গী শেনফম লাউথোক্লম্বা লৈরিবনি।



ষ্টেটসিগী মীয়াম্না চাউখৎ থৌরাংগী অহোংবা পুরকপা পাম্মী হায়বসি ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা লোকল বোদি মীখল কয়াগী ফলদগী খঙবা ঙম্মী। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখল অসিদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্তুনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবদি চাউখৎ থৌরাংদা অহোংবা কয়া লাক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দোকহনবা ঙমদে। হন্দোক্লবা হোৎনবগী লীংজেল য়াওদে। পোলিটিকেল ৱিল য়াওদবা লৈঙাক ওইবনা ষ্টেট অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবনি। শেঞ্জা-থুমজাগী চাং ৱাংবা লৈঙাক অসিনা চথরকপা থৌওংনা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লরি।

বি জে পিনা মায় পাক্লক্লবদি অহোংবা শোয়দনা উবা ফংগনি। লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া পুম্বদা অহোংবা পুরক্লবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্কী মতমদা লৈবাক অসিদা চাউখৎ থৌরাং য়াওনা হীরম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা ট্রক ৫৩৬ থুংলরে

জীরিবাম, দিসেম্বর ৩০ (জে এন এন) : ইকনমিক ব্লোকেদ মনুংদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা সী আর পি এফ অমদি মণিপুর পুলিসনা কাখল কয়াগী চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা ঙসি নুমিদাং পোৎ থন্না য়াওবা ট্রক ৫৩৬ ইম্ফালদা থুংলরে। অদুবু ট্রক মশীং য়াম্না এস্কোর্ট তৌবদা খুদোংচাদবা থোক্কনি হায়দুনা পোৎচৈ থন্না য়াওবা গাড়ী ৩৫৬তি জীরিবামদা হন্দোক্লল্লে।

জীরিবামদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক ইম্ফালগীদমক জীরিবাম থাদোকখিবা ট্রকশিং অদুদা পেট্রোল টেঙ্কর ৯, দীজল টেঙ্কর ১৭, এল পি জি বুলেট ৪, এ টি এফ ২, এফ সী আইগী ট্রক ১২, চেঙ গাড়ী ১, সিমেন্ট পুবা ট্রক ১৪০, হীদাক লাংথক পুবা গাড়ী ৭ অমসুং অতৈ পোৎচৈ য়াওবা ট্রক ৩৪৩নি। হৌজিক জীরিবামদা পন্দুনা লৈরিবা পোৎচৈ য়াওবা ট্রকশিং অদুদা এল পি জি বুলেট ২, ওইল টেঙ্কর ১৮, এফ সী আইগী ট্রক অমা, এ টি এফ গাড়ী ৩ অমদি অতৈ পোৎচৈ য়াওবা গাড়ী ৩৩২নি।

মরক অসিদা, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা য়ু এন সীদা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্লবা ঙসি আপিল তৌখ্রে। মখোয়না ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্লবতদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা লূপ অসিগী লূচিংবা অনী থাদোকপগী ৱাফম য়েংশিনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 71.631261 |
| US Dollar | 67.958099 |
| British Pound | 83.861362 |
| Australian Dollar | 49.076167 |
| Chinese Yuan | 9.782155 |
| Japanese Yen | 0.581624 |
| Malaysian Ringgit | 15.148932 |
| Nepalese Rupee | 0.625793 |
| Russian Ruble | 1.110020 |
| Singapore Dollar | 46.945522 |
| South Korean Won | 0.056296 |
| Bangladesh Taka | 0.85991 |
| Myanmar Kyat | 0.04968 |
| Thailand Baht | 1.897388 |

**FOREX (INDIA RUPEES)**

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 28983 |
| Delhi | – | Rs 28983 |
| Kolkata | – | Rs 28898 |
| Mumbai | – | Rs 29165 |


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি


## HL POLL

**Q :** Wari sannadana force sijinnaraga potchei pusillakpana tangaifadaba potlam fangba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Economic blockade thengnabada Manipur leingakna louriba thoudang asi penningai oibra?

Yes 11% No 89%

## অফবা পাউ-চে হায়বসি খুন্নাই অমবু হোংহনবা ঙম্বা ওইগদবনি : এ কে সনাতোন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০(ঐচ এন এস): মীয়ামগী লন ওইরিবা পাউ-চেনা লৈবাক্কী অফবা মায়ওনদা পুরক্লবা ঈ-পাউ ফোঙবগী মহুত্তা লন্নাই মীওই খরগী ইন্টরেষ্টতা ফোঙবা তোকপগী মতম ওইরে হায়না ভেটরান জর্নেলিষ্ট এ কে সনাতোননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফমসি লময়ানবা নোংমৈকাপম সনাজাওবগী ৮০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকপা মণিপুরগী মীদিয়া অমসুং লাক্কদৌরিবা এসেমব্লী ইলেক্সন হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

এন কে সনাজাওবা মেমোরিএল ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদুদা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট ইরেংবম অরুননা মোদরেটর ওইখি। ট্রষ্ট অসিগী চেয়রপার্সন ডা. লোকেন্দ্রো অরাম্বমনা প্রিসাইদ তৌখি। এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ মোবি অমদি টেলিগ্রাফকী স্পেসল করেস্পোন্দেন্ট খেলেন থোকচোমনা পেনেল মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা এ কে সনাতোননা মখা তানা হায়, পাউমী হায়বসি ঈ-পাউ খক খোম্বদু নত্তে। খুন্নাই অসিগী ফৎতবা অমদি অফবা কয়া মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবসু চঙই। খুন্নাই অমবু অফবা মায়ওনদা পুরক্লবা হোৎনবদা অফবা পাউ-চেগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাক্না হায়খি, লমদমসিদা পাউমীশিংনা লৈঙাকপা ফম্নাইবশিং, লুচিংবা অমদি লূপ খরগী লুচিংবশিংনা ঙাঙবা ৱাফমদুমক ফোঙবনা পাউগী মচাক ওইফম থোকপ্রা। পাউ-চেশিংদা মীখলগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## চাকহাও-লৌমীশিং কার তোংহনবা ঙমগনি

গ্যানন্দ নাওরেম



ককচীং, দিসেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী হৌনা মণিপুরগী মীয়াম্না চানদুনা লাকপা পোইরৈতোন চাকহাও (চাকহাও অমুবী)না কেন্সর লায়না ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং পাংই হায়বা খঙবা ঙম্লে।

এন্তিওক্সিদেন্ট, এন্থোসাইনিন মরাং কায়না য়াওবা অমসুং ব্লুবেরিশিংদা ফংলিবা এন্তি কেন্সর কম্পাউন্দগা চপ মান্না চাকহাও অমুবীদা য়াওবা মরম্না মালেমগী ইনাক খুল্লবা লৈবাক কয়ানা চেঙ মখল অসি দিমান্দ তৌনরক্লে। দিমান্দ অসি পীবা ঙম্লগদি মণিপুরদা চাকহাও থারিবা লৌমীশিং শোয়দনা অতাঙবা মখলগী কার তোংবা ঙম্লগনি।

মণিপুরগী মমিং চৎলবা চেঙ মখল 'চাকহাও অমুবী' অসি ন্যুত্রিয়েসনগী চাং য়াম্না ৱাংবা, মিনিরেলগী শরুকশিং, আইরন অমসুং এমিনো এসিদনচিংবগী চাং মরাং কায়না য়াওবনা নুমিৎ খূদিংগী চাকহাও খজিক খজিক চাবনা হকচাংদা মপাল নাইদনা কান্নে হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে।

কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভী কে) বিষ্ণুপুরগী রিসার্ছ স্কোলর অমনা মতম খরগী মমাঙদা ওল ইন্দিয়া রেদিওইম্ফালদা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি, মণিপুরদা ফংলিবা পোইরৈতোন...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

**অস! লোইরেহে!**





